# ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা ফগৎলক্লিবা পরিংদা এসিয়ন গেমসকী মতুংদা টোকিয়ো ওলিম্পিক্সকী মীৎয়েং থল্লি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী) ঃ
ইন্দিয়াগী হোক্কী শান্নরোয় ধরন্বির সিংহনা কুমজা ২০১৪ ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা নুপাগী হোক্কীগী ফাইনেল মেচতা পাকিস্তানগী গোলকীপর ইমরান বটপু মায়থীবা পীদুনা পেনালটি সুটআউটকী সোট অদু পাঞ্জল ওন্থোকখিবদগী কুমজা ১৯৯৮ দা ইন্দিয়ানা গেমস অসিগী গোল্ড মেদল ফংলবা মতুং চহী ৬ লৈরগা নুপাগী হোক্কীগী গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুগী মতুং তারকপদা টিম অসিগী ফজবা মশান্না কয়ানা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্টশিং মায় পাক্তুনাথা অসিগী ১৮ দগী হৌগদৌরিবা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌরবা মতুং কুমজা ২০২০ টোকিয়ো ওলিম্পিক গেমসকীদমক মীৎয়েং চাওনা থল্লি।

ইঞ্চিওন ২০১৪ এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম কুমজা ২০১৬ তা ব্রাজিলনা যুম্থু ওইরগা পাঙথোকখিবা রিও ওলিম্পিক গেমসতা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি। অদুগুম্না ইন্দোনেসিয়া ২০১৮ এসিয়ন গেমস অসিদা নুপাগী হোক্কীদা গোল্ড মেদল লৌদুনা টোকিয়ো ২০২০ ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইননবগী অশানবা মীৎয়েং অমা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা থল্লিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম হন্দক্তা ইন্টর্নেসনল হোক্কী ফেদরেসননা লাউথোকখিবা হোক্কী শান্নবা লৈবাকশিংগী নুপাগী ওইবা মথং মনাও নাইবগী পরিংদা মমাঙদা লৈরম্বা তরুকশুবা পোজিসনদগী ফজবা পর্ফোমেন্স কয়া উৎপা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মঙাশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখি।

চহী অসিদা নেদরলেন্দসকী সিটি ব্রেদাদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কী টুর্নামেন্টকী নুপাগী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ফাইনেল য়ৌদুনা য়াম্না নক্কবা লম্বাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি। মালেমগী ওইনা মঙাশুবা থাক্তা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা এসিয়াগী ওইনা হৌজিক খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টিম ওইরি।

ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবা মমিং লৈরবা গোলকীপর পি আর শ্রীজেসনা ফোঙদোকখিবদা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কী টুর্নামেন্ট অদুদা লম্বা তৌনখিবা টিম অয়াম্বা মকোক থোংবা য়ুরোপকী টিম ঙাক্তা ওইখি। অদুবু হন্দক্কী ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস অসিদা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিমশিং অদু য়ুরোপিয়ন টিমশিংগী মশান্নগা মান্নদবা এসিয়াগী তোঙানবা মশান্না অমদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তারদুনা এসিয়ন গেমস অসিগী হোক্কীগী মেচ খুদিংমক হৌবদগী য়াম্না মরুওইবা মেচ ওইগদৌরি। গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা এসিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম খুদিংমক টোকিয়ো ২০২০ ওলিম্পিক গেমস ক্বালিফাই ওইননবগীদমক মায় পাক্কনবা মখোয়গী মায়কৈদগী অরৈবা লাল্লোং পুম্নমক পুথোক্তুনা শান্নরক্কদৌরিবনি। মরম অদুনা ইন্দিয়ানা ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা থেংনগদৌরিবা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী শান্নরোয়শিং অদুগী মশান্না নিংথিনা ঔরাইদুনা চেকশিন্না শান্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়রি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসি মপান লমগী কোচশিংনা লুচিংদুনা লমজিং-লমতাকখিবনি। মদুগী মতুং ইকুই-কুইদনা চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী মাঙওইননা ইন্দিয়া মচা হরেন্দর সিংহনা চহী অসিগী হৌরকপদা চীফ কোচ ওইবগী থৌদাং লৌদুনা টিম অসিগী ফগৎনবা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং পুম্নমক শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চুশিন্নদুনা অফবা পর্ফোমেন্স কয়া উৎপা ঙল্লি।

পনবা য়াবদি, হরেন্দর সিংহনা কুমজা ২০১৬ তা ইন্দিয়াগী নুপাগী জুনিয়র টিমগী কোচ ওইদুনা জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ হোক্কী টুর্নামেন্টকী টাইটল ইন্দিয়াগী টিমনা লৌবা ঙমহনখিবনি। মদুগী মমাঙদা মহাক্না ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমগী এসিস্টেন্ট কোচ ওইনা থবক থৌরম পুরম্বনি।

ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমনা গ্রুপ এদা হোং কোং, জপান, সাউথ কোরিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কাগা লম্বা তৌনগদৌরি। গ্রুপ অদুদগী মকোক থোংবা টিম অনীনা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ফাইনেল য়ৌবগী অচৌবা আশা লৈরি। সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা লম্বা তৌবা য়ারিবা টিমশিংগী মনুংদা পাকিস্তান অমসুং মলেসিয়া ওইরি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৬

১। অহানবা সন্মর ওলেম্পিক পাঙথোকপা মতমদা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদু করিনো?
২। কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট গেমসতা মরাথোন্দা মকোক ওইখিবা নুপা অদু কনানো?
৩। ৱেষ্টর্ন রোল হায়রগা করিবু খঙনবগে?
৪। অরুনাচল প্রদেশকী অহানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই।
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা চেম্পিয়ন ওইরক্লে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস)ঃ ইম্ফালগী পাঙ্গৈদা লৈবা সাইনিক স্কুল ইম্ফালনা থা অসিগী ৭তগী ১১ ফাওবা উত্তখন্দা লৈবা নাইনিতালগী সাইনিক স্কুল ঘোরাখলনা য়ুম্থু ওইদুনা পাঙথোকপা চহী ১৪ মখাগী ইন্টর জোনেল সাইনিক স্কুলস ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮গী চেম্পিয়ন ওইরক্লে। পনবা য়াই টিম অসিনা চহী অসিগী জুলাই থাদা অসামগী সাইনিক স্কুল গোলপারাদা পাঙথোকখিবা ইষ্ট জোন সাইনিক স্কুলস ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮-২০১৯দা চেম্পিয়ন ওইদুনা ইষ্ট জোনগী সবজুনিয়র টিমগী মহুৎ শিনখিবনি।

টিম অসিনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা সুব্রটো মুখর্জি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা চহী ১৬ মখাগী ওইনা ইষ্ট, ৱেষ্ট, সাউথ, নোর্থ অমসুং সেন্ট্রেল জোন পূম্নমক্কী মহুৎশিন্দুনা শরুক য়াগদৌরি। কেদেট স্রিদার্থনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনা ফংলকখি। ঙসি সাইনিক স্কুল ইম্ফালদা শান্নরোয়শিং অদুবু ওকপগী থৌরম অমা স্কুল অদুগী প্রিন্সিপল, এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার, সেনিয়র মাষ্টর ইন চার্জ, ষ্টাফ অমসুং কেদেটশিং য়াওনা পাঙথোকখি হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

## ইন্দিয়াগী আনন্দ সেন্ট লুই চেছকী রেপিদতা ৯ শুবা তাখ্রে

সেন্ট লুই, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী)ঃ য়ু এস এগী ওহাইওদা লৈবা সেন্ট লুইদা পাঙথোকপা সেন্ট লুই রেপিদ এন্দ ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্ট শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ রেপিদ সেক্সনদা মাপনশুবা পোজিসন তাখ্রে।

মালেমগী মকোক থোংবা গ্রান্দমাষ্টর ১০ না শরুক য়াদুনা শান্নবা সেন্ট লুই রেপিদ এন্দ ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্ট রেপিদ সেক্সনদা রাউন্দ ৯ শান্নখিবদা ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটল মঙারক লৌবা ঙমখ্রবা গ্রান্দমাষ্টর বিস্বানাথন আনন্দ পোইন্ট ৬ ফংলগা মাপনশুবা পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক য়ু এস এগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় হিকারু নাকামুরানা পোইন্ট ১২ ফংলগা রেপিদ সেক্সনগী মকোক ওইবা ঙমখি। মহাক্না পোইন্ট ১২ চপ মান্ননা ফংমিন্নখিবা অজরবৈজানগী সাখ্রিয়ার মামিদ য়ারোবনা অরোইবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন আনন্দবু মায়থীবা পীখিবনি। অদুবু মহাক্কী পোইন্ট ১২ অদুগা হিকারু নাকামুরাগী পোইন্ট ১২ গা চাংদম্নরুবদা নাকামুরানা প্রোগ্রেসিব স্কোরদা ফজবা হেনবদগী টাইটল অদু লৌখিবনি।

য়ু এস এগী অতোপ্পা শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর ফাবিয়ানো করোনানা মহাক্কী অরোইবা মাপনশুবা রাউন্দদা দ্রো চৎপদগী পূন্না পোইন্ট ১১ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখি। টুর্নামেন্ট অদুদা পোইন্ট ৯ ফংদুনা অর্মেনিয়াগী অরোনিয়ন, রসিয়াগী কর্জাকিন অমসুং ক্যুবাগী দোমিনগেজ মরিশুবা পোজিসনদা পূন্না লৈমিন্নখি। লোয়ননা পোইন্ট ৮ ফংদুনা ফ্রান্সকী মেক্সিম লাগ্রেব অমদি য়ু এস এগী ৱেসলি সো তরেৎশুবা পোজিসনদা লৈমিন্নখি।

## ফিফানা নাইজিরিয়া অমসুং ঘানা সস্পেন্দ তৌনবগী থবক পায়খৎখ্রে

লোজেন, ওগষ্ট ১৪ (এজেন্সী)ঃ মালেমগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লুপ ওইরিবা ফিফাগী মায়কৈদগী অফ্রিকাগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাক অনী নাইজিরিয়া অমসুং ঘানাগী ফুটবোল ফেদরেসনবু সস্পেন্দ তৌনবগী থবক পায়খৎখ্রে।

নাইজিরিয়া লৈঙাক্কী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ফেদরেসনদা মাঙজৌননা ফেদরেসন অদুগী প্রসিদেন্টনি হায়না মীখলদা খনখ্রবা অমাজু মেলবিন পিনিকপু নমথরগা খৃস গিৱাবু নাইজিরিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনগদবনি হায়না কোর্টকী ওর্দর অদু ইন্ননবা য়াথং পীরকপা লৈখি।

অসিগুম্বা ফিফাগী চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা নাইজিরিয়াগী লৈঙাক্না খূৎ থিংজিন্দুনা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ফেদরেসনগী ওইবা মীখলদা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবা অমাজু মেলবিন পিনিকপু লৌথোক্লগা খৃস গিৱাবু প্রসিদেন্টকী থৌ পুননবা হায়রকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মদুনা মরম ওইরগা ফিফাগী মায়কৈদগী নাইজিরিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ফিফাদগী সস্পেন্দ তৌনবগী থবক পায়খৎখিবনি।

অমরোমদা অফ্রিকাগী অতোপ্পা লৈবাক অমা ওইরিবা ঘানাগী ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদসু এসোসিএসন অদুনা মাঙজৌননা সস্পেন্দ তৌখ্রবা প্রসিদেন্ট কুইসি নিয়ান্টাকিবু নৌনা লৈবাক অদুগী ফুটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্টকী ফম পায়হনগদবনি হায়না ঘানা লৈঙাক্কী ওর্দর অমা লাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ফিফাগী কাঙলোন চুমদবগীদমক ঘানা ফুটবোল ফেদরেসনবুসু ফিফাদগী সস্পেন্দ তৌগনি হায়রিবনি।

